# মমিং লৈরবা ওষ্ট্রেলিয়ন ক্রিকেটর শেন ৱার্ন লৈখিদ্রে



কেনবেরা, মার্চ ০৪ (এজেন্সি):

ওষ্ট্রেলিয়াখক্কী নত্তনা মালেমগী ওইনা ক্রিকেট মশান্নদা মমিং লৈরবা লেগ স্পিন্নর শেন ৱার্ন ঙসি খঙহৌদনা থম্মোয়গী ওইবা অনাবা অমনা মরম ওইরগা লৈখিদ্রে। মহাক্না লৈখিদবদা মায়কৈ কয়াদগী অৱাবা ফোঙদোক্নরক্লি।

ফোক্স ক্রিকেটকী রিপোর্ট মতুংইন্না, ৱার্নগী মেনেজমেন্টনা ফোঙদোকখিবদা ক্রিকেটর অসি থাইলেন্দদা লৈবা মহাক্কী ময়ুমদা ঙসি খঙহৌদনা হার্ট এটেক্ট তৌরকখিবনি। মশাগী চহী ৫২ শুরবা মমিং লৈরবা প্লেয়র অসিবু কন্নবা মহাক্কী মেদিকেল ষ্টাফশিংনা কন্না হোৎনখি। অদুবু মহাক লায়কন্নবা ঙমদনা শিখিবনি হায়রি।

অমরোমদা শেন ৱার্নগী ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা মতম খরগী ওইনদি মখোয়দা অয়েৎপা পীদনবা হায়জখিবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবা অসিগী মতাংদা মতম খরা লৈরগা মরী লৈনবা ৱাফমশিং ফোঙদোক্কনি হায়রি। পনবা য়াবদি নুমিৎ খরনিগী মমাংদা ওষ্ট্রেলিয়াগী হান্নগী মমিং লৈরবা ৱিকেট কিপ্পর অমা ওইবতা নত্তনা অফাওবা বেটসমেন অমসু ওইরিবা রোদ মার্শ লৈখিদবা অদুদা শেন ৱার্ন মশানা অৱাবা ফোঙদোকপগী ৱাফম মহাক্কী ত্বিটর হেন্দলদা থাগৎলমখিবগা ইকান কান্নদনা মহাক মশাসু লৈখিদবনি।

ক্রিকেটর অসিনা হিংলিঙৈ মতমদা টেষ্ট মেটচ ১৪৩ শান্নরমখি। হায়রিবা টেষ্ট মেটচশিং অসিদা মহাক্না পুন্না ৱিকেট ৭০৮ লৌবা ঙমখিবগা লোয়ননা মালেমগী ওইনা ৱিকেট খ্বাইদগী লৌবা ঙস্বা অনীশুবা ক্রিকেটরগী মফম কন্দুনা লাকখিবনি।

# নেসনেল চেস চেম্পিয়নপশিপকীদমক য়োহেনবা ইম্ফাল থাদোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০৪ (ঐচ এন এস):

ঙসিদগী হৌরগা থা অসিগী ৮ ফাওবা ন্যু দেল্লিগী ইন্দিরা গান্ধী স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্কদৌরিবা এম পি এল ৪৬ শুবা সব-জুনিয়র চেস চেম্পিয়নশিপ ২০২২ দা শরুক য়ারুনবগীদমক মণিপুরগী মাইবম য়োহেনবা খুমন অমদি ওফিসল ওইনা মাইবম ঘোনো ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে হায়না মণিপুর চেস দিবলপমেন্ট এসোসিএসননা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, এপ্রিল থাগী ৯ দগী ১৫ ফাওবা মহারাষ্ট্রদা পাঙথোক্কদৌরিবা এম পি এল ৪১ শুবা নেসনেল টিম অমসুং এম পি এল ১৯ শুবা নেসনেল ৱিমেন টিম চেস চেম্পিয়নশিপ ২০২২ অমদি থা অসিমক্কী ৯ দগী ১৪ ফাওবা কর্নতকাদা পাঙথোক্কদৌরিবা এম পি এল ৩৪ শুবা নেসনেল অন্দর ১২ বোইজ এন্দর এন্দর ১২ গার্লস চেস চেম্পিয়নশিপ ২০২২ দা শরুক য়াগদবা প্লেয়রশিংগী সেলেক্সন টুর্নামেন্ট থা অসিগী ১০ দগী ১২ ফাওবা উরিপোক খোইসনাম লৈকায়দা পাঙথোক্লগনি। অকুপ্পা মরোলগীদমক মোবাইল নম্বর ৮৪১৫০৮৮৫৬৪ অমসুং ৭০৮৫২১২৮৫১ দা পাউ ফাওরকপা য়াগনি হায়রি।

# জুনিয়র অমসুং সব-জুনিয়রগী ওইনা শরুক য়াগদবা শান্নরোয়শিং খনখ্রে


ইম্ফাল, মার্চ০৪ (ঐচএনএস):

থা অসিগী ২৭ তগী হৌরগা ৩১ ফাওবা জয়পুরগী এস এম এস ইন্দোর ষ্টিদিয়মদা পাঙথোক্কদৌরিবা ২৫ শুবা জুনিয়র অমদি ২৪ শুবা সব-জুনিয়র নেসনেল সেপাক টাক্রো চেম্পিয়নশিপ ফোর বোইজ এন্দ গার্লসতা শরুক য়াগদবা মণিপুর টিমগী শান্নরোয়শিং খনখ্রে হায়না ওল মণিপুর সেপাকটাক্রো এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি পি দুরজিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিগী মতুংইন্না জুনিয়রগী ওইনা খনখ্রবা নুপা শান্নরোয়শিং অদুদি টি বিরবল, এল সনাতোম্বা, ঈ লোখোন, ঈ অমুজাও, সী ঐচ অনন্দ, এল লনচেনবা, তরুন খাইদেম অমসুং এস বোইনাওনি অদুগা নুপীগীনা কে ঐচ দেবিকা, এম জেনি, টি মোনালিসা, এম লতালক্সমি, এন রিনা, পি রিসিতা, কে ঐচ দাইনা অমসুং এম লিম্থোইঙানবীনি।

সব-জুনিয়রগী নুপাগী খন্নখ্রবশিং অদুদি ঐচ অনিস, টি ঐচ রোবিনসন, এম অশোক, এল অজয়রাম, ঈ অরুন, সাগর এম, এম নিংতম্বা অমসুং এস রোসননি। অদুগা নুপীগী সব- জুনিয়রগী ওইনা খনখ্রবা শান্নরোয়শিং অদুনা কে পোনি, ঐচ ভিক্তোরিয়া, এল লিম্থোই, সী ঐচ প্রিয়ঙ্কা, সী ঐচ জেনিফর, কে ঐচ মালেমঙানবী, মালেমঙানবী (সাই) অমসুং সী ঐচ চাওবনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা হায়রি।

# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



## PUZZLE NO. 390

**Mager, Denis (1741) - Sieber, Fiona (1689)**
**GER-ch U12 Oberhof (11), 2011.06.18**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.Nf3 Nf6 | 2.c4 e6 | 3.e3 b6 | 4.d4 Ba6 |
| 5.Bd3 d5 | 6.b3 Be7 | 7.O-O O-O | 8.Nbd2 Nbd7 |
| 9.Bb2 Rc8 | 10.Qe2 c5 | 11.Ne5 dxc4 | 12.bxc4 Nxe5 |
| 13.dxe5 Nd7 | 14.Rad1 Qc7 | 15.f4 Rfd8 | 16.Ne4 Nf8 |
| 17.Qh5 Rd7 | 18.Nf6+ Bxf6 | 19.exf6 Rcd8 | 20.fxg7 Ng6 |
| 21.Rf3 Rxd3 | 22.Rxd3 Rxd3 | 23.Qxh7+ Kxh7 | 24.Rh3+ Nh4 |
| 25. ... | | | |

**QUESTION :**
**Black to Win**

**Puzzle 389 Ans. :**

10. ...Qe4+ 11. Kd2 Qe3# Dovetail mate
0-1



HL-B/7466/15/2-18/4 (alt)

# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ৫। ০৩। ২০২২ইং, থাংজা;
লমতাগী ৩ নি পানবা।

**মেষ:** নরলদা য়েংথিবা লৈ-শকখঙদবা লোয়নগনু, মীৱা থাজগনু। মীয়ামগী মতেংদি ফংগনি, লাই-গুরুনা চানবীগনি, অচুম্বনা লাকচগনি। ৱাখল থোকপা ৱাৎলি।
লৈশা পাখংশিংগী- হেন্না আশা চাওবদি মাঙজগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**বৃষ:** নীংবা থুংগনি, শেল-থুমগী লমদা মায় পাক্কনি, মীনা লাকচবা ঙমলোই, হনবা লৈতনা হোৎনজবনা শোয়দনা মায় পাকলো হায়বা নুমিৎনি। হকচাংসু নুংঙাইগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**মিথুন:** য়েক্লবনা শোকহনবা অমদি শাওহনবা লৈগনি-ফিংগনু। মীংচৎতি হেনগৎকনি, লেঙদবা নরল অশেংবা ফংজবৈ নুংঙাইজবা, খুৎ চাওবগী কান্নবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- মায় পাক্কনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**কর্কট:** অয়াম্বা লমদা লায়থোক্কনু-ৱাখল অমদি অরৈবা লৌশিং পুথোকপা তঙাই ফদে। য়ারগদি অনৌবা থৌরম পাঙখিনু, তঙাই ফদ্রদি অখং অহৈ তান্নবা ফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- য়েৎনবনা মাঙজগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/হিগোক

**সিংহ:** নাপল অমদি অনম তানবা তৌগনু, মীতোপ লোয়নবা অমদি মীরক চংবসু নীংবা থুংবা ৱাৎকনি। অদুবু কাঙলোন চুম্না পাঙবা থৌরমদদি মায় পাক্কনি-চিংনগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱারৌনগনি-তপথৌ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**কন্যা:** নীংবা থুংবা, শেল-থুমগী লমদা কান্নবা, পাইরক্কী লৌশিং হেনগৎপা নুমিৎনি। থাজদনা নক্লবনদি তাথি, অশাওবনা মাঙজগনি, শোকপা য়াবদৈ চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চাল্লি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা

**তুলা:** য়েৎনবদি লৈরসু মায়দি পাক্কনি, ৱানোম থৌনোম কান্নগনি অমদি চাদিং হন্থবা ঙমগনি। মরুপ-মপাং অমদি নচা-ননাইনদি নুংঙাইহন্দবা লৈগনি-থিবা হুম্বা কল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংজবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**বৃশ্চিক:** অফবা লৈফম ফংগনি,অরিবা মরুপ মপাংদগী কান্নবা শোয়দনা ফংজগনি, অফা-অপুন কোকচগনি। পাউ নুংঙাইতবা তাবা অমদি লন চৎফমদি য়ামগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মতম মাঙগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

**ধনু:** পাইরক্কী লৌশিংনা অফবা মফম কনবা ঙমগনি, লাই-গুরুগী মতেং লৌরদি লাকচবীনবা লৈরোই, য়েক্লববু ঙমজদুনা লেঙদবা লন তানশিনবা ঙমগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি মরী হান্নগুম ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**মকর:** মায় পাক্কনি, অনৌবা আশা লাক্কনি অমদি য়ুমগী ৱা থওইদবা তৌগনু। চিন কল্লদি চোপ্পা নঙগনি অমদি অশাওবনা মাঙওইনরদি পোত্থাফম খঙলোই।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

**কুম্ভ:** খাঙবা কনবা, অরুবা থবক্তা য়াওদবা, অফা-অপুনগী থবক্তা য়াওদবা ফগনি। হৈ-শিংবনা অরং-অরাক ফংবগুম ঈকাই খুম্নবা ফংবদি লৈ, নচা-ননাই চাওখৎকনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ঙাংথোকপদি পকচৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/কিসমিস

**মিন:** মায় পাকচবা, মীচঙ হেনগৎপা, শেন্দোং ফংবা অমদি মীয়ামগী মতেং ফংজবগী নুংঙাইজবা নুমিৎনি। খল্লুদবা নুংঙাইবসু ফংগনি। লৌশিং তান্নবদি য়াওরুগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাখল নুংঙাইজগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/কিসমিস

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।



HL-B/7507/5

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com